## মচিন চেন্থি থীরি

### ঈং-তপ্পা, মহৌশাগী ফীভম কদাইদৈনোদা

যুনিয়ন/ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরগীদমক তৌরক্লিবা, পায়খৎলক্লিবা থবক-থৌরম অমসুং থৌরাং-থৌশিলশিংসি মণিপুর মীয়ামগীনি হায়দুনা মপান্থোংদা হায়রবসু মরু ওইবা মরমদি দেল্লীদা যুনিয়ন লৈঙাক পায়দুনা লুচিংলিবা মখোয়গী পার্টিগী খোঙ্গুল মণিপুরদা মুৎহন্দনবা হোৎনরকপনি। ৱাফমসি চুমদে অমসুং অরানবনি হায়বা মীওইশিং লৈরমখিগদ্রা, লৈরম্বা য়াওদুনা শয়ং ওইনগা চোংথোরক্কনি হায়বদি থাজদ্রে। চুম্না মচেক-ময়াদা থাজদবগী ৱা নত্তে। মপূমদা ওইনা শুকথা থাজদ্রে হায়বনি। মসিগী মরমশিং য়াম্মী। অদুবু অনী খক্তং লৌখৎলগা পল্লবদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা থা ৬কী মনুংদা তম্পাক্কী লোকল বোদিশিং ওইরিবা জিলা পরিষদ অমসুং পঞ্চায়টশিংগী মীখল পাঙথোক্লবা অহকপা দিরেক্সনশিং পীরকখিবা অমসুং ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মতম লোইশিল্লকপদগী মথংগী মীখল পাঙথোক্কদবা মতম খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লকপসিদগীনি। হোয়, কুমজা ২০২২গী মার্চতগী লিংলকখিবা লৈঙাক্তু রিজাইন তৌহনখিবা, এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখিবদুবুদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লোকল বোদি অনীসিগী মীখল পাঙথোক্লবা অকক্লবা মতম পীদুনা খঙহল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদনি। কোর্টকী ওর্দরসিগী মমাঙদনা মণিপুর এসেমব্লিগী মথংগী মীখল নকশিল্লকপদগী লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগী মচিন মৈ মুবা হৌরকখিবনি। অদুগা সেপ্টেম্বর ১৩, ২০২৫দা প্রাইম মিনিষ্টরনা পুং খরগী খোঙচৎতা লাক্লম্বদুনা মণিপুর মীয়ামগীদমক মহাক লৈরি হায়বদু উৎতুনা ভোটরশিংদা নীংশিংহল্লম্বনি। ৱাফমসিবু লাল্লি, চুমদে অমসুং অরানবা, যূম্ফম য়াওদবনি হায়রক্কদবা লৈরমখিগদ্রা অমদি য়াওরমখিগদ্রা হায়বনি। মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী লানসিবু চুম্নতগী চীং অমসুং তমদা লৈমিন্নরকখিবা ফূরুপ অনীগী মরক্তা থোকপা নুংশি-চান্নদবা অমদি য়ান্নদবগী ইচম-চম্বা লাননি হায়দুনা লৌবা য়াগদৌরিব্রা হায়বনি। লানদু হৌরকপগী মরম্না মণিপুরদগী লেজিলেচরগী পৱার য়াওবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন/যুনিয়ন টেরিটরি অমা পীয়ু হায়বনি। মখোয়না মখোয় খক্তগী ওইনীংলিবা মফমশিংদুদা লৈরম্বা মীতৈগী যূম, দুকান, হোটেল, ৱার্কশোপ, কৈথেল অমদি লাইনীংগী মফমশিং শীংকুপ শানা য়ানখাইরগা মৈ থারকপনি। থেংন-থেংনবশিংদা হাৎপা-তুপ্পা চখ্থরক্তুনা তকথোরকপনি অমসুং তান্থোরকপনি।

ইশম শম্বদা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লানসি কনানা কমদৌনা করিগীদমক হৌরকখিবনো হায়বসিবু হৌজিকসু মকোক্তগী হৌরগা শিৎ নান্না কোথোক্লুখিগদ্রা হায়বনি। লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা লোইশিন খমজিন্নবা হোৎনরক্লিবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস (এম ঐচ এ) অমসুং গভর্ণরনা লুচিংলিবা পি আর লৈঙাক্নদি হীরমসিগী মতাংদা তুকা থিদবা য়ারোই। তরেৎ-তরা থোক্না খন্নদবা য়ারোই। মরমদি অশোকপা অনাবা'মা লায়েংদুনা ফহন্নবা হোৎনবদা অশোকপদুগী ফীভম অমসুং অনাবদুগী লায়ওং মুন্না খঙগদবনি। নীংথিজনা দাইগ্নোস তৌরগা ত্রিটমেন্ট চখ্থগদবনি। মণিপুরদা চহী অনী মখায় ফাজিল্লক্লবা তুম অমা যুরক্লিবসি হন্দোকপদা অতোপ্পা তুম অমনা হন্দোকপগী মথৌ তারক্লবসু থবকসিদি লান খাম্বা হৌরক্তুনা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিবনি হায়রিবা হোম মিনিষ্ট্রি অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী মথৌনি। হকথেংননা লান মায়োক্নরক্লিবা অমসুং নাকোইননা লানসিগী মৈশা লাংলক্লিবা মণিপুরগী মীয়াম পূন্নমক্না খঙলিবা অচুম্বদি কুকি-জো-মার-পাইতে-গাংতেনচিংবা 'কুকি-জো' গী ছাটিননা কুপশিন-খঞ্জিল্লক্লিবা চীংগী ফূরুপ মচা-মচাশিংসিনা ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা রিজাইন তৌজখিবা লৈঙাক্তুদা খম থেংনা পেনখিদে। মৈ হৌনা শাওখি। ফীভমসি অটসুমনা শিন্দুনা মে ৩, ২০২৩দা চৎখিবা 'ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ' হায়বা রেল্লিদু চৎখিবা নুমিৎতুদগী ওইরকখিবা নত্তে। মতম খরগী মমাঙদগী ৱাম্মৈদৌনা ওমদুনা চাক্লক্লগা নুমিৎতুদা মৈরি থোরকখিবগী ৱানি। অদুগা রেল্লিদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মতমদুগী ষ্টেট লৈঙাক লুচিংখিবা নুপাদুদা ফজদবা ৱাহে-ৱাতা, অকাম্পেৎনচিংবা অকনবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা লাউ খোঙখিবনা ফূরুপ মচা-মচাশিংদুগী মীওইশিংনা মঙোন্দা অমসুং মহাক্না লুচিংবা লৈঙাক্তা শাওরে হায়বসি খঙখিবনি। মসিগী মরমশিং লৈরমগনি। মরম লৈতবা য়ারোই। মরম চাবা নৎত্রগা চাদবা হায়বদুনা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়দুনা মচিন মৈ মুবা হৌরক্লিবা ওথোরিটিশিংনা থিদোক্তুনা ৱায়েল চখ্থগদবনি। অদুবু লান হৌরকপা চীংমী খুজোক অমসি নত্তবা লান মায়োক্নরক্লিবশিংনা খঙলিবা অচুম্বদি লানসি মতম খরগী মমাঙদগী মফি শেন্নক্লগা রেল্লি চৎলবা মতুংদগী থিঙেলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাশিখোংদা তাইনৈ হায়বদুগুন্নদনা মখোয়না মৈ হৌদুনা শাওখিবা ষ্টেট লৈঙাক্তুদা হকথেংননা করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রগা তোর্বুং বাংলা তান্না হাইগৎলক্লগা শাহিং-ঙাহিং চাবা হিংচা-য়াইতম্বগী তমথীরবা থৌওংশিং চখ্থরকখিবনি। মতাংসিদা মণিপুরগী লানগী মরমদা থিজিন্নবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা শেমখিবা গিতা মিট্টল কম্মিশননা ফাওবা শেমদোক-শাদোক্তুনা ফৈরেং-তুরেং তৌরকপা য়ারোইদৌরিবনি। পি যু সী এলগা হায়বা বোদি অমনগা হঞ্চক-ঙাচক শারক্তুনা শেরান-তুরান তৌরক্লিবসিদি মরূ শিৎ-নান্না কোকথোক্লগা শুনু-য়াইঙং তৈশিল্লগা লম্লোং অহুম ফাংবদা থাদোকপীগদবনি। মসিনা মতিক চাদ্রে হায়গনা 'শঙলিংবা' দা শিন্নরগা অঙাং ওলহনগদবনি। অদুবু পি যু সী এলনা পুথোরকপা রিপোর্ট খক্কী ৱাফম নত্তনা মণিপুরদগী লেজিলেচরগী পৱার য়াওবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন/যুনিয়ন টেরিটরি পীগদবনি হায়দুনা দিমান্দ তৌরক্লিবা কুকি-জোগী এম এল এ ১০দি অদুম্মক মচিন চেন্থি থীরি। মরম অসিনা মখোয়গী খোঙফমসি হন্দোক্ত্রিবা ফাওবদি লানগী ৱারোইশিন পুরক্কদবা লম্বী ময়ায়দা লাওনা চেকখাইরগা কাথোক্তুনা লৈখিগনি। ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভমশিংদু হনুমাননা চীং ফুকপদৌনা পুরক্লবসু পুরক্তুনা লাক্লনবা লম্বী লৈত্রি হায়বনি। প্রাইম মিনিষ্টর লাক্লম্বদা মখোয় ১০না পূন্না খূৎয়েক পীরগা পীশিনখিবা চেরোলদুদবু তম্পাক্তগী মেজোরিটিনা মাইনোরিটি মখোয়বু 'ক্লিন্সিং' তৌবীরে হায়রিনে!! লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিনেনা তৌরিসি য়াখিরোইদা তোম্বা!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

### (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৫৬)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লৌসেল আতোলবা কৌবগা মখোয় অহুমকনা হেমবা চীঙশাং লময়েনফম মরমখৈ। খারম তুইখাঙ চীঙশাং মচীঙলেলদা। লৈমা সনা খোঙলেঙনা হুয়েল লানথেং লালদাবদি। তোলপুঙ নিংথৌ হুয়েল খুলতীনবা মিংকৌবা লাকচাথীনা লালঙমলে। মৈতৈ লৈমাবী শেলবী তাইপোমবীনা। সনা খোঙলেঙনা হুয়েল লালদাখিবদি। অসিনা লোইবা লৈখিদে। মাইকৈ নোংপোক খানা পাংবা লম। নুঙখান লমদম মপুংয়াইদা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

### (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯵꯶)

[illegible]

## নীংবা কায়রবা কুকিশিংদা পাউজেল অমত্তং !



হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৭১

**জিতেন নামৈরাকপম**

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নহান সেপ্টেম্বর ১৩দা মণিপুরদা লাক্লম্বদা করি হায়রম্মী, করি তৌরম্মী হায়বদু খঙদবা, তাদবা কনামত্তা লৈরম্লরোই। মতম কুইরবগী তুংদা খঙহৌদনা মোদি লাক্লগনি তাবদা লানগী চৈথেং মায়োক্নরিবা লমদম অসিগী মীয়াম্না করিগুম্বা খরদি শোয়দনা তৌরম্লগনি, নে-না তাবা, ঈং-তপ্পা পূন্সি মরেলদা হঞ্জিলহল্লগনি হায়না পানরম্বনি। মরু ওইনা আই দি পিশিং ময়ূম-ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা অমদি মীতৈ-কুকি ফূরুপ অনীমক হায়ৱে ফাওনা মণিপুরগী মফম শিনবা থুংনা অকি-অখঙ য়াওদনা, নীং-খা তম্না হান্নগুম চৎচবা ফংবা অদুনি। অদুবু হীরম অসিগী মতাংদদি মোদিনা থোইদোক্লা পল্লমদ্রে। লুপা ক্রোর ৭,৩০০গী প্রোজেক্ট যাত্রা হুল্লম্বা অদুগা লুপা ক্রোর ১,২০০ চঙনা শাখিবা বিল্ডিং খরা ইনোগ্রেশন তৌরম্বনা মপূং ওইবা থৌরম ওইখি। মদুদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা পি চিদম্বরমনা য়াম্না থুনা রিএক্ট তৌরকখি। হায়খি- "Not a single word of regret, nor did he apologise for not coming for two years. Can you buy the people of Manipur for Rs. 7300 crore project, Rs. 1200 crore project"?

মীয়াম্না তৌনরম্বা আশা, খন্নরম্বা ৱাখলগা তাইওন্নরকপগী ফীভম লাকপনা চুড়াচান্দপুরগী পীস গ্রাউন্দদা ৱা ঙাঙবদা থৌরম শরুক য়ারিবা কুকিশিং খূবাক ইখু খুখিদ্রে। মোদি লাক্ত্রিঙৈ নোংমগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরবু তরাম্না ওক্লবা শেম-শারিবা, লম্বীগী পরেংদা কে-খোৎপগী ফেষ্টুন পরেং, খারিবা শম্বল কুকি নহাশিংনা নুমিদাংদা থোরক্তুনা থুগাইবা, য়ানখাইবা, ফূক্তৎপা, লংথোকপা, লাউ-খোংদুনা মোদিবু ইকায়বা পীবগী থৌদোক অমসু লৈখি। মোদিনা ৱা ঙাঙবগী থৌরমদনা মদুদা ফমদুনা তারিবা মখোয় পূন্নমক্কী মায়থোঙদা হরাও নুংঙাইবগী মমি অমত্তা তাখিদে। মরমদি মখোয়না খৌরাংনা ঙাইজবা তোঙানবা লৈঙাক, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী ৱা মচেৎ অমা ফাওবা পল্লমখিদে। মোদিনা ফঙ্কশন অদুদা "I am with you" হায়না কুকি মীয়ামদা হায়রম্লগসু এম এল এ পাউলিয়নলাল হাওকিপতি য়াম্না শাউখি। মোদি অমদি বি জে পি গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা পেন্দবা কয়া ফোঙদোকখি। কুকি জো কাউন্সিলনসু লেজিসলেচর য়াওবা যুনিয়ন টেরিটরি পীবনা মণিপুরদা সোল্যুশন পুরক্কনি হায়বগী ৱাফম কয়ারক হন্না থমখি। মখোয়গী দিমান্দ লাষ্টিং পোলিটিকেল সোল্যুশন ইন দ ফোর্ম ওফ এ সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন দিমান্দ শুংহন হনখিরোইসু হায়রি। মতাং অসিদা মোদিনা পল্লম্বা ৱাহে খরা নীংশিংবা য়াই- "This land of Manipur is the land of hope and aspiration. But, unfortunately, Violence took over this magnificent region" অসিগুম্বা ৱাহে খরা অসি নত্তনা মখোয়না পামজবা তোঙানবা লৈঙাক্কী মতাংদদি করিমত্তা পল্লমদ্রে। মদুগী ৱারোৌবনা, শাউনীংবনা মবুক্লিং ফাথবা ঙমদ্রবা কুকি নহাশিংনা নহান নুমিদাংদা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেশনদা নুঙ থোমজিন্দুনা লান্দাবগী থৌদোক অমসু থোকখি। নুমিদাংদা কুকি লমহেন তুহেনবা নহাশিংনা হৌরকখিবা ঈহৌ অদু সিক্যুরিটি ফোর্সনা ইরায় লায়না লাকশিনখি।

মোদিনা চুড়াচান্দপুরদা লাক্লম্বা নুমিৎ অদুদা কুকি এম এল এ তরানা খূৎয়েক পীদুনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দ অমুক হন্না লানখৎখি। কুকি পূন্নমক্কী মচিন্দা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন হায়বা ৱাহৈ অনী অসিনা মখোয়গী তুংগী আশাসু ওইদুনা লৈরি। মসি নত্তনা অতোপ্পা ওপশন অমত্তা লৈতে হায়বসি মখোয়গী মচিন্দা লাইশোন ওইনা শোন্দুনা লৈখ্রবনি। অদুবু মণিপুর মচেৎ তাবা য়াররোই হায়বগী মতাংদদি প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনসু টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি ওফ মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন পনখ্রবনি। মদুমক্তদা কুকিনা নীবা লেপ্তে। শুংপী পীররোইদবা পোৎশক অমা হঞ্জিন হঞ্জিন নীবা হায়বসি য়াম্না শাথীনা ইকায়বা খঙদবগী মওংনি। মোদিগা অমিৎ শাহগনা মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হল্লোই হায়বগী মরমদা মখাগী অসুম্না নৈনবা য়াই:

নরেন্দ্র মোদিনা হঞ্জিন হঞ্জিন পনখ্রবা ৱাফম অমদি "মণিপুরগী তোঙানবা তোপ তোপ্পা হিষ্ট্রি অমা লৈজরি" হায়বসিনি। হিষ্ট্রি, ইতিহাস হায়রগদি মণিপুরনা সাউথ ইষ্ট এসিয়া মনুংদা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা চহী ২০০০গী মমাঙদগী লৈরম্বা অমদি কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা মহারাজনা ইন্দিয়া দোমিনিয়নদা মর্জর এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবা অদু Instrument of Accession নি। মণিপুর অসি মতম অমদা ইন্দিয়ানা মচেৎ তানা থুগাইয়ু হায়না ইনখিবা য়ান্না চেরোল নত্তে। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল থ্রীনসু থুগাইবা য়ারোইদবা এগ্রীমেন্টনি। হেক থুগাইরুবা মতমদা ইন্দিয়াগা ইনখিবা য়ান্না চেরোল অদু চৎনররোই, মণিপুর হান্নগী নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরম্বদুগী ষ্টেটসতা হঞ্জিল্লে হায়না লাউথোকপদা যুনাইটেদ নেশন্সনসু মণিপুরগীদমক লেপ্পীরক্কনি। মসি নত্তবা মণিপুরনা মচেৎ তাবা য়ারোইদবগী মরম কয়া অমসু লৈখ্রে। কুকিদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন পীরুবদা নাগা কাঙবুনা য়ারক্কদ্রা? কুকিনা নম্না তাবা কাংপোকপী নাগাগী লমনি হায়রি। চান্দেলসু, তমেংলোংসু, উখ্রুলসু কুকি খুল য়াম্না লৈজরগসু নাগাগী লম ঙাক্তনি।

মথক্কী অসিনা আইনগী ওইবা, এদমিনিষ্ট্রেশনগী ওইনা শুকলেং লেংবা য়ারোইদবা, শোক্লুবা পল্লুবা য়াররোইদবা ওথেন্টিঠকেট, প্রুফ, অচুম্বা, জিন্যুইন নৎত্রগা ভেলিদ ওইরবা দোক্যুমেন্ট ওইনসু পায়দুনা লৈরবা ওফিশল রেকোর্দ ঙাক্তনি। মখা তারকপা ওইনা মোদিনা মণিপুর নুংশি হায়বগী খুদম খরসু পীবা য়াই মদুদি চুড়াচান্দপুরদা ৱা ঙাঙবা মতমদা মিনট ২১গী মনুংদা 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈসি ২৭ রক পনখি। অদুগা অমুক ইম্ফালগী কংলাদনা মণিপুর হায়বা ৱাহৈ অসি ৪৭ রক পল্লম্মী। কনাগুম্বনা চুড়াচান্দপুর অমদি কংলাগী ফঙ্কশন অদুগী রেকোর্দতা মশীং থিরগা হঞ্জিন্না তাবীয়ু মফম অনী অদুদা মণিপুর ২৭+৪৭=৭৪ রক পনবনি। কনাগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টর অমনা ৱা ঙাঙলম্বদা মণিপুর ৭৪ রক পল্লম্বা অমত্তা য়াওখিদ্রি, রেকোর্দ ওইনা পুৱারী ওইনা লৈহৌরগনি।

মসিনা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়না পীরম্বা ইঙ্গিৎ অমনি হায়না লৌবা য়াই। চুড়াচান্দপুরদা মণিপুর হঞ্জিন হঞ্জিন পনখিবদুদা কুকি অয়াম্বা মমায় লুকথরগা খাঙখি। মখোয়না পামজবা লমকা শুংপন পল্লমদ্রে। চুড়াচান্দপুরসু মোদিনা হঞ্জিন হঞ্জিন পল্লমখি।

মোদিনা মণিপুর নুংশিরমগনি হায়বগী ওইথোকপা য়াবা মরম অমনা মহাক্কী পোক্লফম লমদম গুজরাটতগী মহাক্কী মপা-মপু গুজরাটি ব্রাহ্মন খরা মণিপুরদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখি। মখোয়না মণিপুরদা হিন্দু ধর্ম্ম শন্দোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়বসি শোয়দনা খঙলমগনি। পুৱারী ওইরবা ৱারোলশিং অসি চৈথারোল কুম্বাবা অমদি গাংমুমৈ কবুইনা ইবা হিষ্ট্রি ওফ মণিপুর, ভোল্যুম ৱান, প্রি-ক্রোনিকল পেরিয়দকী লমায় ২০০ শুবদা য়াওবা মতেক অমা লৌখৎচরি - "The Brahmin families who were the ancestors of the later Manipuri Brahmin & came to Manipur during Kyamba's reign. Bamon Khunthok records that the Brahmin of the family names like Adhikarimayum, Sija Gurumayum, Leihaothabam, Takhelchangbam, Phurailatpam came during this reign. They came from Gujarat, Kanpur, Assam, Sylhet, Nandagram and Kharadah" হিন্দুত্বাগীআইদোলোজিদা ঙাওজবা মোদি অমদি অমিট শাহ মণিপুরগী হিন্দু নম্না তারিবা মফম অসিবু নুংশিফম থোকই। অমিট শাহ মশামকসু শ্রীশ্রীগোবিন্দজি মন্দিরগী লুক মথেল চাম্মগা নিপান ফংখ্রবনি। শ্রীশ্রীগোবিন্দজিগী লাইশঙদা খুরুমখ্রবনি।

মথক্কী বি জে পি লৈঙাক্কী লুচিংবা অনী অসিনা মণিপুর নুংশি হায়বগী খুদম ফংই হায়বগী অতোপ্পা মরম অমনা অন্দমান নিকোবর আইলেন্দদা লৈবা মাউন্ট হেরিয়েটপু 'মাউন্ট মণিপুর' হায়না মমিং ওন্থোকখিবা অদুনি। করিগুম্বদা মণিপুর থুগাইবা তারগদি মাউন্ট মণিপুরসু লৈররোই, মাউন্ট কংলৈপাক, মাউন্ট মৈত্রবাক হায়দনা ওন্থোক্লগদ্রা? মদুদি ওইররোইদবা ৱাফম্নি। মাউন্ট মণিপুর অসি লুচিংবা অনীনা পীরম্বা মমিং ওন্থোকপা য়াররোইদবা মমল য়াম্লবা খুদোলনি।

মরমশিং অসি লৈবনা মণিপুরগী টেরিটরি কায়বা য়ারোই হায়বগী খুদম কয়া অমা লৈরিবসি কুকিশিংসু খঙলমগনি। ইম্ফালদা ফোঙলিবা পাউচেশিং গুগলগী খূথাংদা বেঙ্গলি ময়েক পাবা হৈবা কুকিশিংনা লেপ্তুনা পারি হায়বগী পাউসু ফংই। নখোয়গী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনদি নুমিৎনা নোংচুপ্তুগী থোরকপা মতমদা ফংগদ্রা? মণিপুর কায়বদি শুকওই-শুকওই হেক ওইররোইদবা ৱাফম্নি হায়বসি খঙজিল্লু! ●

## ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ১২০

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মথক্কীসিনা তাকপদি লৈশেমঙৈদগী হৌনা অহিংবা নমু তাইবঙ মীশিংনা লুনা কিনা লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইবুধৌ পাখঙবা অনীবু লাই ওইনা লাৎনরকই হায়বসি ময়েক শেংলকপনা হৌজিক্তদি থোয়না হেন্না যূমলাই অমদি লমলাই ওইনা লাৎনরিবসিনি। লৈপাক অসিগী নিংথৌশিংনা ইবুধৌ পাখঙবগী চাদা নাউদা ওইরগা লাইনিংথৌ সনামহীসু লৈপাক নিংথৌশিংনা অথোইবা লাই ওইনা লাৎনরক্লি। সনামহী লাইনীংগী মনুং চন্না ইবুধৌ পাখঙবা লাইনীংসু থাদোক্লবা য়াদনা অদুম য়াওরিবনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম অমদি মীতৈগী যূম শঙ্কাবা নুমিৎতা লাইনীংথৌ সনামহীগী খুভম য়াবগা ইরোইননা ইবুধৌ পাখঙবগী খুভম অমসু নুমিৎতুগী ওইনা খুভম য়াবসি/থাবসি অখঙ অহৈ শিল্লৈরোয়শিংনা তাকপীবগী মতুংইন্না অইবা ইশানসু কনাগুম্বা মীতৈ অমগী যূম শঙ্কাবগী থৌরম পাঙথোকপা নুমিৎতা অদুম তৌই। অদুনা বামোনগী লাই-তীলগী থবক থৌরমশিং তপ্না তপ্না থাদোক্নরক্লি।

মসিগী মতুং তারকপদা, কাইবরোল পুয়াগীদা মথক্তা পনখিবশিং হায়বদি -

৩) "বামোন্না পুথোক্লকপা ফিজেৎ-চাকচা খিবিক তোক্লগদনে।"

৪) "বামোনগী শাগৈ পীক্লগদবনে।"

৫) "অসিগী মতুং উমং লাই ৯ মাদা মী পীরগদনে।"

হায়রিবশিংগী মতাংদা অসুম্না থমজগে। লৈপাক অমগী নিংথৌ হায়বসিদি লৈপাক অমদি মীচম মীয়ামগী লুচিংবা মকোক ওইবনিনা, লুচিংবা মকোক ওইরিবা মহাক্না তৌবা থবক-থৌরমশিং লৈপাক্তুগী মীচম মীয়াম্নসু য়ানীংলবদি/পাল্লবদি য়াম্না থুনা খুমাঙ চাওশিনবা হায়বসি মহৌশানি। অদুনা লাংওল নিংথৌ অপানবা ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎনা মহাক্তক্তা মীতৈ লাইনীং লাইশোন হায়বদি সনামহী লাইনীং হিঙ্গৎহন্নবা লৈপাকসিগী লাইনীং লীচৎ ওইনা লাউথোকপীরমখিবসিনা য়াম্না অচৌবা ইনোৎ ওইরকখি। য়াম্না শমজিন্না "ঈরুজনীংবগা থোঙ্গ্রা তেকপগা চান্নবা/মান্নবা" হায়বা থৌদৌদু ওইখি। হান্নদগী পামজদুনা লাকখ্রবা অদুবু পাঙ্গল থোকপা ঙল্লমদবশিংদনা হেন্না পাঙ্গল থৌনা পীবা ওইরগা অরিবা লাইনীং লাইশোনসি পামজনা চৎচনীংবা পাল্লকপশিংদসু অরিবা লাইনীংসি চৎতুনা হেন্না মপূং ফাহন্নবা হোৎনবদা মীচম মীয়াম, মীতৈশিংনা মালেমগী মফম কয়াদা খুন্তাদুনা লৈরিবা, কয়ানা চান-চানবা মমিং থোন্দুনা লূপ কয়া অমসু লিংখৎলক্তুনা শাাফোঙলকখি। মদুদা মীতৈ অমা ওইনা পোকপদগী শিবা ফাওবগী মথৌ তাবা থৌরমশিং হায়বদি অঙাং পোকপগী ৬নি ঈপান থাবা, মদুগী মতুং যূম শেংবা, তরা চাকইন তম্বা/চউম্বা, নাহুৎ নারেং/মশম কোক্লগা মৈ ঈরাৎপা, লাইমিং লৌবা/মপুগী মীঙ্খেরোল ফংবা, লুহোংবা/লু-হোংবা, মী অমা লৈতবা নুমিৎকী থৌরম, মদুগী মতুং যূম শেংবা/লাইরিক (পুয়া) তাবা লোইশিনবা, মঙানি লৈহুন/৬নি অস্থি সঞ্চয়, লান্ন-থৌরম/শ্রাদ্ধ, মী লৈখিদবা হেক মতুং অহানবা থা ফারকপা অমদি তরামাথোইশুবা অরোইবা থা অনীসিদা তরা লুক্লেন কৎপা, থা ১২ ফারকপগী অহানবা ফিরোই, মতুং তারকপা কুমওন ফিরোইশিং - হায়রিবা থৌরমশিংসি মীরম লাইনীং লাইশোননা মপান য়াম্না ফরিঙৈদদি বামোনশিংগী মশিন ওইনা তৌনরিঙৈদা খরা তোপ্পা ফিজেৎ-চাকচা লৈরম্মী। অদুবু মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না তপ্না তপ্না হোংলক্তুনা হান্নগী অরিবা লাইনীং লীচৎতা ওনশিল্লক্লি। খুদম ওইনা, ঈপান থাবা (৬নিশুবা নুমিৎতা), তরা চাকইন তম্বা/চউম্বা, নাহুৎ নারেং, হৈজিংখরাই পুবা/লুহোংবা/লু হোংবনচিংবা থৌরমশিংদা নুপীশিংনা (মৌ ওইবীশিংদা নত্তনা চনু নিঙোল/মীরোলদা - কুমারী) ফনেক মপান নাইবী শেৎতুনা কে-মৌবগী ফিজেৎ শেৎপসি মথৌ তাবদগী শেৎনৈ। হান্না শেৎনরম্বা ফিজেৎ, চানরম্বা চীঞ্জাক্তসু অহোংবা কয়া লাকখ্রে হায়বসি লোইনা খঙন-উনরবা মক্তা ওইরক্লে। হান্না মীরমগী লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা ফিজেৎ অদুগী মহুৎতা খুদম ওইনা ঈনাৎকী লাই অমগী থৌরম পাঙথোকপদা নৎত্রগা শঙলেন অমদা ঈনাৎকী লাই খুরুম্বা চৎপদা ফনেক মপান নায়বা শেৎপগী চৎনবীসি তঙাইফদবা ওইবনা শেৎলি। মীরম হিন্দুগী লাইফম অয়াম্বদা মনা-মশিং (মীরোলদা - মেরা মিচ) নৎতনা অতৈ থোংবা/চাবা য়ারমদবদু মরোংবা শঙলেন (মীরোলদা-মান্দপ) গী মফম অমদা ঙা থোংলগা ঈপান থাবা, নাহুৎ নারেং, লুহোংবগী মপাম চাক্কৌবনচিংবা থৌরম কয়া পাঙথোকপা য়াবা য়াওরক্লি। হায়বদি, হান্না মীরমগী ওইনা শেৎ চারম্বা ফিজেৎ অমদি চানরম্বা চীঞ্জাক্তা ফাওবা তপ্না তপ্না হোংলক্লি।

মথক্তা পনখিবা মী (অঙাং) অমা পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা অমদি শিরবা মতুং চহী অমা ফারকপগী অহানবা কুমওন ফিরোই, মতুং তারকপা কুমওন ফিরোইনচিংবা হান্নদি বামোন শাগৈগী মীওইশিংতনা মশিন ওইনা তৌনরম্বা থবক কয়া হৌজিক্তদি ফীভম মতমগী মতুংইন্না য়াম্না শমজিন্না মমিংতগী ওইনা তৌনরক্লে। হান্নদি মীতৈগী লৈকায়/যূম্নাক শাগৈ/কোল্লুপ খরা চাউনা তাবা/লৈবা মফমশিংদা মীরমগী লাইশিং বামোনশিংনা থৌগল (মীরোলদা-সেবা) তৌবা কয়াগী শঙলেনশিং (মীরোলদা-মন্দির) শারগা, যূম্নাক শাগৈদুনা লমনচিংবসু কৎলগা, থৌগল্লোন (সেবারি) ওইনা লৈফম নৎত্রগা লৌচা পীরগা মীরম লাই লাৎপগী চৎনবী লৈরম্মী। চহী অমগী মনুংদা মতম মতমগী ওইনা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগী অয়াম্বা/পূন্নমক্কী অচংবা শেনফমশিং পুথোক্লগা মীতৈশিংনসু কৎলগা তৌনবগী চৎনবী লৈরিঙৈদা লাই তীলগী থবকশিং বামোনশিংতনা তৌরম্মী। লাইগী মিংদা (মীরোলদা-নাম/নাষা) মীতৈশিংতনা কৎলগা থোং থাকপগী থবক খুদম ওইনা-ইঙেনগী কাং চিংবা মনুং (মীরোলদা - রথ যাত্রা), লাংবনগী লূক্লেন কৎপা (মীরোলদা - পিতৃ লুক কৎপা), মথৌ তাবদগী লাইদা লুক কৎনবা থোং থাকপা, মঙানি চাক্কৌবগী চাক থোংবা, চাকচা হৈজানবনচিংবগী থোং থাকপগী থবকশিংসি বামোনগী মশিন ওইনা লৈরিঙৈ মতমদদি বামোনশিং ইৱা ৱাদনা শেল লায়না তানবগী চৎনবী ওইরিঙৈদদি বামোনগী শাগৈ চাউবগী মথৌ তারম্বসি ইনিংথৌ ওকেন্দ্রজিৎকী সনা হাক্তক্তগী বামোনগী ফিদা অমদি লেংদবা শিনফম ওইনা লৈরম্বসি তপ্না তপ্না মাঙথরকপদগী বামোনগী শাগৈ পীকথরকপগুম তৌরক্লে হায়বা য়াই। খুন্নাইদা মীগী মশীংদি চাং ৱাংবা নেম্বনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা, মশীংদি লেপ্পা নাইদনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন পামজরকপা মীগী মশীং হেনগৎলকপনা হান্না বামোনশিংনা তৌরম্বা থবকশিংদগী ঈনাৎ লাইনীং লাইশোনগী ঈরাৎ ঈশোন অমদি থোং থাকপগী থবকশিং তৌবা শিল্লৈরোম্বা অমদি ফু-হৌবা লৈরকপদগী বামোনগী শিনফমশিংগী থৌদাং হন্থরকখি। মসিনা মরম ওইরগা বামোনশিংসু অতোপ্পা শিনফমশিং য়েংলকপা/হোংবা তারকপনা বামোনগী শাগৈ পীকশিল্লকই হায়বগী ৱাফম্নি।

মঙাশুবা অরোইবগী মতাংদনা বামোননা হান্না তৌরম্বা থবক থৌরমশিং পীশিল্লকপা হায়বদি বামোনশিংনা থৌগল (মীরোলদা - সেবা) চংলম্বা লাইশিংগী থৌরমশিং পীশিল্লকপনা, লাইগী ওইনা পাঙথোক্নরম্বা কুম্মৈশিংসু নোংমা নোংমগী শিথরকপগা পাঞ্জিক ওইরক্লি। খুদম ওইনা, কৃষ্ণ জন্ম, কাং চিংবা (রথ যাত্রা), দুর্গা/দেবী পুজা, ঝুলোন, দোল যাত্রা (য়াওশঙ), হোলি, জগোয় রাস লীলা মখলশিং, উদুখোল, গৌর লীলানচিংবসি নুপী অঙাংশিংনা মরু ওইনা লৈশাবীশিংনসু পাম্না লৌজবা হিন্দু কুম্মৈমক্তনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।